১৮ গী মীয়ামগী খোঙচৎ শরুক য়াখিবা অমদি শৌগৎপীখিবশিংবু থাগৎখ্রে

MASS RALLY
Meetei/Meitei bu ST list ta cha
Leihoumee singbu kallu
Organised by :
Co-ordinating Body, Scheduled Tribe Demand Committee, Manipur

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ঃ মণিপুরগী য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মৈতৈ ব মীতৈবু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মখাদা সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা য়াওহন্দুনা ঙাক্লৌ পীগদবনি হায়না চহী খরগী মমাঙদগী তান্দুনা লাকপা দাবী শৌগৎতুনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎতা শরুক য়াখিবা অমদি শৌগৎপীখিবশিংবু সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরনা তৌবিমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

দিমান্দ কম্মিটি অসিগী কোওর্দিনেটিং বোদিগী পব্লিসিটি সব কম্মিটিগী কনভেনর দব্লিউ অনন্দ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা অচিনবা কয়া থাদোক্লগা তুংগী মীরোলগীদমক খন্দুনা শরুক য়াখিবা থবক্তগী পোত্থারবা অহল লমনশিং য়াওনা মখল খূদিংগী শিনফমদা লৈরিবশিং, মহৈরোয়শিং অমদি ফিজিকেল্লি হেন্দিকেপশিংবু কোওর্দিনেটিং বোদিগী মায়কৈদগী ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোক্লি।

মীয়ামগী খোঙচৎ অদু মায় পাক্লবা হোৎনবদা শেল অমদি পোৎ ওইনা মতেং পাংখিবা, পাঙ্গল অমদি ব্রাখলগী মতেং পীখবা, অনা অয়েক য়াওরকপশিংবু ফার্ষ্ট এইদ পীবিনবা এম্বুলেন্স অমদি মেদিকেল টিম থারকখিবা সরকার অমদি প্রাইভেট হেল্ঠ সেন্টরশিং, মেদিয়াগী মীওইশিং, থক্লবা ঈশিংনচিংবা থৌরাং তৌবিখিবা লম্বীগী নাক য়েত্তা লৈবা মীওই কয়াবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

খোঙচৎ অদুদা খুদোংচাদবা, নীংবা থুংদবা, ত্রান্সপোর্টকী অব্রাবা অমদি অতৈ নুংঙাইতবা কয়া য়াওরবসু তুংগী মীরোলগীদমক হোৎনমিন্নবনি খনবিদুনা ব্রারৌবিদনবসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। নুংশাগী মৈশা মরক্তা শাংনা চৎপা খোঙচৎ ওইবনা অপূনবা মীফমদা মত ফোঙদোক্লিংবা খূদিংমকপু খুদোংচাবা পীবা ঙমখিদবগীদমকসু ব্রারৌবীদনবা হায়রি।

কম্মিটিনা অতোপ্পা ইসু অমত্তবু অতম্না চমম্নবা থোকহন্নিংবগী ব্রাখল লৈতে লোয়ননা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ অমত্তগী ইন্টরেষ্ট শোক্লবা ব্রাফমসু য়াওদে হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লদুনা য়েলহৌমী ওইবগী শক্তম ঙাক্তুনা মশাগী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরদা হিংগদবনি হায়বা খোঙচৎ অদুদা অহল ওইরবা প্রো. ব্রাই মহেন্দ্রনা হকচাং ঙমদবনা মরম ওইদুনা শরুক য়াবা ঙমখিদে হায়রি। মদুগীদমক নুংঙাইতবসু ফোঙদোক্লি। মীয়াম্না তারম্বা ব্রারেপকী মতুংইন্না মণিপুর সরকারনা অথুবা মতমগী মনুংদা ভারত সরকারদা মৈতৈ ব মীতৈ ফুরুপ্পু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা রিকমেন্দেসন থাবীনবা তকশিনবদা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদসু পূন্না অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নসি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

জি সৈত্যবতি দেবী ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ঃ ফোরম ওফ ওর্গনাইজেসন ব্রার্কিং ওফ দিসএবিলিটিনা শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সেন্ত্রেল সোসিয়েল ব্রেলফেয়ার বোর্দ ন্যু দিল্লিগী মেম্বর জি সৈত্যবতি দেবীবু হরাও তয়াম্না ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা সৈত্যবতি দেবী মশামক্লা অথোইবা মীথুংলেন, ব্রাইখোং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর চোংথাম শান্তি দেবীনা থৌরম মপু অদুগা দাইনামিক জিম এন্দ সোসিয়েল ব্রেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট মেঘচন্দ্র থিয়াম্না ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ফোরম ওফ ওর্গনাইজেসন ব্রার্কিং ফোর দিসএবিলিটিগী সেক্রেটরী নিলবাবু ওইনাম্না হায়, জি সৈত্যাবতি দেবীবু সেন্ট্রেল সোসিয়েল ব্রেলফেয়ার বোর্দকী মেম্বর ওইনা হাপ্লকপা অসিদা হরাউবা অমসুং নুংঙাইবা ফাওই। জি সৈত্যাবতি দেবী মণিপুর সরকারগী সোসিয়েল ব্রেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর ওইরম্মী। অসিদসু নত্তনা প্রিভেন্সন এন্দ কোম্বেটিং ত্রাফিকিং ওফ ব্রুমেন এন্দ চিলদ্রেনগী মেম্বর ওইনা থৌ কয়াসু পুরম্মী হায়রি।

মহাক মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা শগোলবন্দ কেন্দ্রদা ইলেক্সন থেংনগনি হায়না থৌরাং তৌরিবনি।

জিরিবামবু মপুং ফাবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহল্লু হায়না চঙশিল্লকপা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটিগী খোঙজংবু শৌগত্তুনা জিরিবাম লমখায় বাজারদা বিবিসি বিদ্যানাগর, সিনলোন ক্লব হিলঘাট অমদি লক্ষিপুরগী মৈরা পায়বীশিংনা খুখাং চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা

লমায় ১ গী মখা

বন্দ, ব্লোকেদ ১দি জেনেরেল ষ্ট্রাইকনচিংবগী মায়োক্তা উকিলশিংনা রেল্লি চৎখ্রে

মদুদা নত্তনা তমদা বন্দ কৌবা মতমদা চীংনা শাওরি। অদুবু ফোংদোংকপা ঙম্নদবদগী চীংগা তমগা নুংশিনদনবগী মচাক অমা ওইরি।

অদুগুম্না কয়া অদু থোক্তনবা মীয়ামদা এব্রার্নেস পিবা ওইনা অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গানাইজেসন, কম্মিটি নত্রগা লুপ কয়ানা বন্দ, ব্লোকেদ, পাব্লিক কার্ফিয়ু অমদি জেনেরেল ষ্ট্রাইক্লচিংবা কৌরিবা অদু কৌবীদনবা রেল্লি অসি ঙসিগী থৌরম অসি পাংথোকপনি মসিদা প্রজাশিংনা কোওপেরেসন পিবিয়ু।

মহাক্লা মখাতানা ফোংদোকখিবদা, বন্দ, ব্লোকেদ, পাব্লিক কার্ফিয়ু অমদি জেনেরেল ষ্ট্রাইক্লচিংবা তৌবসি কন্সষ্টিটুসনগী ব্রাংমদনি, আইন কায়বা থবক্তি মরম অদুনা খুদক্তা থিংগদবনি হায়না ১৯৮৮দা সুপ্রিম কোর্টনা ওদর তাখ্রবনি।

মণিপুরদদি মদুগী ওদর অদু ঙসি ফাওবা পাংথোক্তনা লৈরি। অথুবা মতমগী মনুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী মাইকৈদগী ওদর অদু থবক্তা ওম্থোরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্লি। মণিপুরদা বন্দ, ব্লোকেদ, পাব্লিক কার্ফিয়ু অমদি জেনেরেল ষ্ট্রাইক্লচিংবা তৌরিবশিং অসি মখোয়গী দিমান্দ অদু ফংলে হায়বসি অমুক্তা তাখিদ্রি হায়না মহাক্লা মখাতাখি। ঙসিগী মীফমদুদা মাসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচানা নুংগী ওইবা ব্রারোল পিখি। এদভোকেট টিঐচ মোধু, সেনিয়ার এদভোকেট খায়দেম মনি অমদি হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সেনিয়ার এদভোকেট কে ঐচ বিনোয়কুমারনা বন্দ, ব্লোকেদ, পাব্লিক কার্ফিয়ু অমদি জেনেরেল ষ্ট্রাইক্লচিংবা তৌবনা প্রজাদা পিবা শাফু, মাংজবা অমদি শোকহল্লিব হায়বসিগী মতাংদা ব্রা ঙাংখি।

ইথাই খুনৌ হায়স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনগদবনি –এমসু

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী কেন্দ্রগী মনুংচন্না লৈবা ইথাই খুনৌ গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনগদবনি। মসিগীদমক ইদুকেসন দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা খোঙথাং লৌথৎকদবনি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী সিনিক খাঙেম্বম্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, জেদ ই ও জোন ফোর বিষ্ণুপুরগী মখাদা লৈবা সরকারগী হায়স্কুল ২৭ কী মনুংদা অমা ওইরিবা ইথাই খুনৌ গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলদা ক্লাস ব্রানদগী টেন ফাওবদা পূন্না মহৈরোয় ৬৫০ রোম লৈ। স্কুল অসি ২০১১ দা রমশাগী মখাদা অপগ্রেদ তৌখিবনি। অদুবু অব্রাৎ অপা কয়াগী মতাংদা মহৈরোয়শিং, স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটি, লোকেল ক্লব, পেরেন্ট কম্মিটিনা মরী লৈনবা জেদ ই ওদা অইবা ব্রারোল কয়া পীদুনা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মমাঙ চহী ২০১৫ গী মে ৬ তা মহৈরোয়শিংনা এদুকেসন মিনিষ্টরগী ওফিস্তা লাইরিক সরেন্দর তৌবগী খোঙজং ফাওবা চঙশিনখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা এদুকেসন এস দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙনা হন্না য়েংবিদ্রি। অসিগুম্বা থৌওংদা এমসুনা য়াম্না হকচিন্না লৌই। স্কুল অসিগী য়াল্লবা মহৈরোয়শিং ওঝা ৮ খক্লা মহৈ তম্বীরি। ওঝাশিংনা চাংনাইনা স্কুল কাবসু নত্তে। চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তা মহৈরোয়শিংনা ক্লাস বোইকোট তৌবগা লোয়ননা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনখবসু লৈখ্রে। অদুবু তাল্লিবা দাবীশিং অদুগী মতাংদা মরী লৈনবা জেদ ই ও অমদি ওথোরিটিনা হন্না য়েংশিনবিদ্রি। অব্রাৎপা দরকার ওইবা ওঝা অথুবদা পীবিনবা হায়জবা পূম্বা তাবিদ্রি। অসিগুম্বা ফিভমদা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা অব্রাবা খুদোংচাদবা কয়া অসিনা করম্না পূক্লিং চঙনা মহৈ মশিং তম্বা ঙমগদৌরিবনো হায়বগী ব্রাফম থল্লদুনা অথুবা মতমদা য়েংশিনবিদ্রবদি এমসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লম্মিৎলোন ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ঃ ঙসি আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী আর্ট গেল্লরি হোলদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা সনাবম রঘুমনি (খম্বা)না খোমজিনবা লমিৎলোন হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী দাইরক্টর কে সুশিলা, ইন্দিজেনিয়স পিপলস এসোসিয়েসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)কী চিয়ারমেন সাপমচা জাদুমনি অমসুং সেনিয়র স্কোলার এন ইন্দ্রমনিনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। ডা. কে সুশিলানা হায়, ফোঙলিবা লাইরিক অসিগী কান্নবা শোয়দনা ফঙগনি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী মরমদা লাইরিক অসিদা নৈনরিবা অসিমক্লা তুংগী মীরোলদা লম্মীৎ তুমিৎকী মরমদা খঙহনবদসু মতেং ওইরগনি।

স্পিকরনা কন্সটিট্যুসনগী চৎন কাঙলোন থুগায়রে

গভর্ণর উন্নদুনা থৌওংসি য়েংশিনবীনবা কশিনগনিঃ ও জয়

মণিপুরগী কংগ্রেস গভর্ণমেন্ট অসি মনা তাদ্রবা মমিৎ উদ্রবা গভর্ণমেন্ট অমনি। মসি অথুবা মতমদা শিন্দোকপা অসিনা পান্দম থল্লগা মীয়ামদা অফবা সাসন অমা লাক্লবা পাউজেল পীবা দরকার লৈ হায়খি।

লমদম অসিদা অফবা সাসন অমা লাকহন্নবা পাউজেল পীবা দরকার ওইরে। থোংজু কেন্দ্রগী ওইনা লুপা ক্রোর ৩২.৪০১গী শেনফম অমা লম্বী শেম্নবা সেন্টরদগী পিরক্লে। লৈঙাক সাসন্দা ঐখোয় মশেল ব্রাখল তানা চৎমিন্নবা দরকার ওই। শেলনা ঐখোয়গী হক মৎহল্লোইসি হায়খি।

হৌজিক সেন্টরদা সাসন তৌরিবা বি জে পি সাসন্না পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসি জ্ঞান তামিন্নবা চংই।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বি জে পিগী ব্রাঙাংলোইশিং ডা. নিমাইচান্দ লুব্রাং অমসুং এন মঙ্গি সিংহসু ব্রা ঙাংখি। থৌরম অদুদা লংথবাল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এস রোনেল, লিল্লোং ইম্ফাল ব্রেষ্ট নগর পঞ্চায়টকী চেয়ারপার্সন এন গীতাবলি, নগর পঞ্চায়ট অসিগী ভাইস চেয়ারপার্সন এ ওমিলা, কাউন্সিলরশিং এম জয়কুমার, টি ঐচ অনিল, এল লালমনি লোয়ননা বি জে পি লংথবাল মন্দলগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মন্দল অসিগী প্রসিদেন্ট এল ব্রজমোহোননা থৌরম মপু ওইখি।

পোলিতিকেল কনফরেন্স অদুগী মাঙওইননা হান্নগী এম এল এ ও জয়গী য়ুমদা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎপগা লোয়ননা ইলেক্সন ওফিস অমা হাংদোক্লবা তুংদা ইবুধৌ

ফুরগা থল্লম্বগী পুলিস্তা ব্রাকৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ঃ শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা সাপম মোধুচন্দ্রবু হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৪.১৫ রোম তাবা অদুব্রাইদা লাংজিং অচৌবদা ব্রাল্কিং চৎলিঙৈদা মীনুংশি য়াওদনা ফুরগা থল্লম্বগী মতাংদা মচানুপা সাপম পুন্সিবা (৩০)না লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্দা ব্রাকৎতুনা এফ আই আর ফাইল তৌখ্রে।

সাপম পুন্সিবনা ঙসি পাউমী খরদা ফোঙদোরকখিবদি তমথিনা ফু বিরম্বা মহাক্কী অপোকপা মোধুচন্দ্র হৌজিক হৌজিক শিজ হোস্পিটাল লাঙ্গোলগী আই সি য়ুদা লায়কন্নরি। থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়না চিংনরিবা এস ধিরেন (৫৬) অপোকপা টিঐচ থম্বালঙৌ লাংজিং অচৌবা ময়ায় লৈকাইগী মথক্তা আইনগী চপ চাবা এক্সন লৌখৎপিয়ু হায়নসু মহাক্লা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখি। করিগীদমক্তা ব্রাল্কিং চৎচরিবা মীওই অমবু মীনুংশি য়াওদনা তমথিনা ফু বিরম্বনো হায়বদু থিগৎপিদুনা অচুম্বা খঙনবা হোৎনবদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মহাক্লা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

শক্তিমান এক্সিদেন্টদা মীওই ২ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ঃ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সোমতাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা ব্রিংগাই ভিল্লেজদা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪০ রোম তাবদা শক্তিমান অমা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মদুদা তোংলকপা মীওই ২ লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

পাউ অসিনা হায়, লৈদ্রিবা মীওইশিং অদুদি এম কে চিমনাওলো (৫০) অমসুং মোহোসিং (৪০) কৌই। মখোয় অনীমক ব্রিংগাই ভিল্লেজদগী ঙাক্তনি। থৌদোক অদুদা মীওই খরসু অশোক অপন নংখি হায়রি। সোমতাল পুলিস ষ্টেসন্দগী কিলোমিটর ৪০ রোম চৎলগা লৈবা মফম ওইবদা নত্তনা লম্বীগী ফিভমসু ফত্তবনা পুলিস টিম মফম অদুদা য়ৌশিনবা ঙমদ্রি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ই সি আইগী ফুল কম্মিসন ঙসি থুংলরগনি

এস এস পিশিং, রেঞ্জ দি আইজিশিং, জোন আইজিশিংগী ওইবা মীফম অমদা মীখলগী শেম শারিবশিং অদু রিভিয়ু তৌগনি।

উন্নবা অসিদা দি ই ওশিং এস এস পিশিংনা মীখলগী শেম শারিবা অমসুং এদভান্স ইলেক্সন মেনেজমেন্ট ষ্টেপশিং অমসুং এক্সন প্লানগী মতাংদা পব্রার পোইন্ট প্রজেন্টেসন উৎকনি।

অয়ুক পুং ১১ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি, হোম সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ফাইনান্সকা উন্নগনি। লোয়ননা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবা মতমদগী ১২.৪৫ ফাওবা প্রেস ব্রিফিং পাঙথোক্কনি। তুংদা নুংথিল পুং ২.৩০ চৎপা মতমদা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিগনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ওঝা হাপখিবা অদু চৎনবা য়ারোই–দেসাম

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী লেকচরর, এসিষ্টেন্ট প্রো. লৌনবগীদমক হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা রেজিষ্টারনা থোকখিবা খল্লবশিংগী লিষ্ট অদু অরানবা প্রোসেস কয়া তৌদুনা ফেবরিটিজম, নেপোটিজম অমদি করপসনদা য়ুম্ফম ওইদুনা চখিখিবনি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে অদুনা খল্লবশিংগী লিষ্ট অদু চৎনবা য়ারোই হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহল্লি।

দেসামগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা এল লময়ানবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অরানবা থৌওং কয়া চখিরিবা অসিগী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী চাঞ্চেল্লরসু ওইরিবা গভর্ণর অমদি চীফ মিনিষ্টরদা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিনবা অইবা চেরোল পীদুনা হায়জরগনি। হন্দক্তা য়ুনিভর্সিটি অসিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী ওঝাগী ফম লৌনবা লাউথোকখিবা অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ লেঙ্গোইজ (ইংলিস এন্দ মণিপুরী)গী পোষ্ট ৪, কলচর অমসুং কলচর ষ্টদিগী পোষ্ট ৩, থাঙ–তাগী পোষ্ট ৪, উমংলাই হরাউবগী পোষ্ট ২, সঙ্কীর্ত্তন (পুং, ঈশৈ, চোলোম)গী পোষ্ট ৩, ত্রাইবেল ষ্টদি (ত্রাইবেল দান্স এন্দ ম্যুজিক)কী পোষ্ট ২, ঠিয়েটর (দাইরেক্সন এন্দ এক্টিং)গী পোষ্ট ২ অসিনচিংবনি। হায়রিবা ফমশিং অসি লৌনবগীদমক য়ুনিভর্সিটি অসিনা চৎলিবা চহী অসিগী জূন ২১ অমসুং জুলাই ১৭ তা এদভর্টাইজমেন্ট থোকখি। মদুদা ফমশিং অসিগীদমক দরকার ওইবা এদুকেস্নেল ক্বালিফিকেসন অমদি অতৈ ক্রাইটেরিয়াশিং অমত্তা ঙাক্তনা ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদি রেজিষ্টারনা হন্নিং হন্নিংবা ব্রাম্থোক পীদুনা ফেবরিটিজম, নেপোটিজম অমদি করপসনদা য়ুম্ফম ওইরগা বোর্দ মেম্বর কয়াগী মচা মশু ইমুং মনুংগী ওইবা মীওই কয়া খন্নবা হোৎনরে হায়বসি থিজিল্লবদগী খঙবা ঙম্লে। মরম অদুনা পাঙথোকখিবা দি পি সি অদুগী ফল হায়দোক্তনবা অমদি অথুবা মতমদা ফম্মিন্নদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা মতম চানা খঙহনখিবা লৈখি। ভি সি অমদি রেজিষ্টারনা চখিখিবা অরানবা থৌওং অদু য়াররোই অমদি নংহৌররোই মতাগুম দেসামগী মীহুৎশিংগা উনবগী মহুত্তা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা অরানবা মওংদা চখিখিবা দি পি সি অদুগী ফল ফোঙদোরকখি। মসিমক খুন্নাই অসিগী অমদি মণিপুর কলচরগী খ্বাইদগী লাইবক থিবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থা অসিগী ১৭ থাংজ নুমিত্তা থোকখিবা সেলেক্সন লিষ্ট অদু য়ুনিভর্সিটি অসিগী মথৌ তারিবা সবজেক্টশিং অদুগী স্পিসিয়েলাইজেসনগা মরী লৈনদবা অমদি ইসেন্সিয়েল ক্বালিফিকেসন ফাওবা য়ৌদবা মীওই কয়া য়াওরি। অসিদসু নত্তনা স্ক্রিনিং কম্মিটিনা পীবা রিপোর্টকী ব্রাংমদা থবক চখদুনা হৌবদগী মরূদা তিন চঙলবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওম্থোক্লি। থৌওং অসি মীয়াম্না তরাইনা লৌফম থোক্তে। মতম কয়াগী মমাঙদগী মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইদুনা অমদি হোৎনজদুনা কলচর য়ুনিভর্সিটি অসি লৈঙাক অসিনা অঙম্বা উপাই থিদুনা লিংখৎখিবনি। হৌজিক য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সি অমসুং রেজিষ্টারনা নিয়মগী ব্রাংমদা মখোয় মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা পাঙথোক্তুনা অমদি ক্বালিফাইদ ওইদবা মীওই কয়া থবক হাপচিন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসি মশক থিহন্নবা হোৎনরিবসি মণিপুর সরকারনসু তরাইনা লৌফম থোক্তে। মসিগীদমক অখন্নবা ইনক্বারি তৌদুনা অরানবা তৌবশিং অথুবা মতমদা চুমথোক্কদবনি অমদি লৌফম থোকপা এক্সন লৌখৎকদবনি নৎত্রবদি কলচরবু নুংশিজবা, য়োকখৎনিংবা মীওইশিংগা খূৎশম্নদুনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি। অরানবা লৈরিবশিং চুমথোক্ত্রি ফাওবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী সেসন হৌনবা হোৎনরিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি। করিগুম্বা লেপ্ত্রবদি মদুদগী থোরকপা অফ ফত্তগী দাইত্বা পূম্বা ভি সি অমদি রেজিষ্টারনা পুগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থবক্তগী পোত্থারবা ওঝাশিংদা বিদাই পীখ্রে

জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ১৯ঃ জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মতম শাংনা থবক তৌরক্লবা লেকচরর সিপ্রা চক্রবতি, আর্টস গ্রেজুয়েট ওঝা সিঐচ মনাওবী দেবী, লেবোরেটরি এসিষ্টেন্ট (ফিজিক্স) কেঐচ মঙ্গোলজাও অমদি লেবোরেটরি এসিষ্টেন্ট (বাইওলোজি) ঐচ সোভা শর্ম্মবু ঙসি স্কুলগী মায়কৈদগী হরাউনা বিদাই পীখ্রে। মখোয়বু বিদাই পীবগী পাঙথোকখিবা থৌরমদা ভাইস প্রিন্সিপাল এম কে মীশ্রানা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা প্রিন্সিপাল ইন–চার্জ আর কে গম্ভীরজিৎ সিংহনা থৌরম মপু ওইখি। থবক্তগী পোত্থাখ্রবা সিপ্রা চক্রবতি, সিঐচ মনাওবী দেবী, কেঐচ মঙ্গোলজাও অমসুং ঐচ সোভা শর্ম্মসু ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

থৌরম অদুদা ওঝা অমদি ননটিচিং ষ্টাফশিংনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা ওঝা অমসুং ষ্টাফশিংগী তুংগী পুন্সিদা নুংঙাই য়াইফবা, পুন্সি নুংশাংবা ওইরসনু হায়না থৌনিজবগা লোয়ননা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

কোর্টকী থবকশিং লেপখি

ঙসি নোংমগী ওইনা থবক লেপখিবসিদা হায়কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং মসিগী সবোর্দিনেট কোর্টশিং য়াওখি। থবক লেপখবা অসি রেল্লি অমসুং মীফমসিবু পুন্না শীনমিন্নখিবা ওল মণিপুর ব্রার এসোসিয়েসন (অম্বা) অমসুং হায়কোর্ট বার এসোসিয়েসন, মণিপুরনা হায়জরকপদগীনি হায়রি।

মহৈরোইশিংদা টিয়ার গ্যাস কাপ্পনা ইহৌ নমথবা ঙম্লোই ঃ ষ্টুদেন্টস ব্রিং

অদু শা–ঙাগী ব্রাখল খনবননি। মসিনা মহৈরোইশিংদা লানগী বার্ত্তন তৌবা ওইনা থোক্কনি। এসেমব্লি নৌনা কৌদুনা আইএলপিগী বিল পাস তৌদ্রিবা ফওবা মহৈরোইশিংনা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখিগনি। মমাঙদা জেসিআইএলপিএসনা থা অসিগী ২১ ফাওবগী মনুংদা এসেমব্লি নৌনা কৌদুনা অনৌবা বিল পাস তৌগদবনি হায়না লৈঙাক অসিদা থমখিবা ব্রাফম অদু করিগুম্বা ঙাক্লা চৎত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে। মহৈরোইশিংগী ইহৌদা পুলিসনা নুপী মহৈরোইশিংদা খোঙপাক্লা কাওবা অমদি মশাদা খুজিন্না খোৎপা হায়বসি পুলিসকী ত্রেনিংদা য়াওরকপরা? ঙসিগী থৌদোক্তুদা চেন্নরিবশিং মরী লৈনবা হোম দিপার্টমেন্টনা দন্দি পীগদবনি। মখা তানা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু মমাঙদা চঙশিল্লম্বা খোঙজং অদুগা চপ মান্না লেপ্তুনা চঙশিনবা হৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা মণিপুর কলেজগী মহৈরোই এল রোহিৎনা ফোঙদোকখিবদা জেসিএলপিএসকী ষ্টুদেন্টস ব্রিংগী লীচিং মখাদা মণিপুর কলেজগী মহৈরোইশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা পুলিসশিংনা থক্তুনা টিয়ার গ্যাস অমদি স্মোক বোম কাপখিবা অদু মরম চাদে। পুলিসকী এক্সন অদুদা মহৈরোই অমবু কিন্না থিনখিবা অমদি বুটনা কাউখি। মহৈরোই নুপী অমবুনা খুজিন্না খোৎপদগী অশোক অপন থোকখি।

ঙসিগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং অদু মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

আইপিএস ওফিসার ১৯ গী ট্রান্সফর পোষ্টিং পীখ্রে

আরকে মেমি দেবী এসপি ভিজিলেন্সনা ইন চার্জ দিআইজি (সিআইদি–সিবি), আরকে ত্রেতুসনা দেবী এসপি এনএবি না ইন–চার্জ দিপ্যুটি দিরেক্টর ।এমপিটিসি নি।

অদুগা রাকেশ বলব্রাত এদিসনেল এসপি, থৌবালনা এসপি চুরাচান্দপুর অমসুং হেমন্ত পান্দে, এসদিপিও সেনাপটিনা এসপি উখ্রুল ওইরগনি।

লোয়ননা নৌনা ত্রান্সফর পোষ্টিং পীখ্রবশিংনা থেমথিং ঙাশঙভা এসপি বিষ্ণুপুরনা সিও ফার্ষ্ট এমআর, ইম্ফাল ইষ্টকী ওসপি ওইরম্বা কামৈ অঙম রোমানসনা এসপি চান্দেল, এল মাঙখোগিন হাওকিপ এসপি চুরাচান্দপুরনা সিও ৮শুবা আইআরবি, পিজি সিংশিৎ সিও ৮শুবা আইআরবিনা এসপি সেক্যুরিটি, ইম্ফাল ব্রেষ্টকী এসপি ওইরম্বা ডা. একে ঝলজিৎ সিংহনা এসপি ইম্ফাল ইষ্ট, জোগেশচন্দ্র হাওবিজম সিও ।৩আইআরবিনা এসপি বিষ্ণুপুর, চান্দেলগী এসপি ওইরম্বা এন হেরোজিৎ মৈতৈনা ইম্ফাল ব্রেষ্টকী এসপি, এম প্রদিফ সিংহ এদি।এমপিটিসিনা এসপি থৌবাল,

নিংশেন ভসুম এসপি হোম গার্দনা এসপি টমেংলোং অমসুং এল রগুই এসপি টমেংলোংনা এদি।এমপিটিসি ওইরগনি হায়রি।

অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি

হিরমসিগী মরি লৈননা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবগী মীফমদা য়াইফবগী মীশিংগা মরি লৈননা শেমখিবা জে এ সিগী কনভেন্নর জোনসন মঙাংচানা হায়, মীশি অসিগী মতাংদা জে এ সি অমদি লৈকায় মীয়ামগা পুল্লগা শিংজমৈ চোংথাম লৈকায়দা ঙসি মীয়ামগী মীফম পাংথোক্তুনা মমাংদা মণিপুর সরকারগা য়ান্নখিবা ব্রাফমশিং থবক্তা ওম্থোহন্নবা তকশিনবা হায়না লেপ্পরে।

মরম অদুনা য়ান্নখিবা ব্রাফমশিং সরকারনা হয়েং সেপ্তেম্বর ২০গী নুংথিল পুং ১ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওম্থোরক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং কয়া চংশিন্নবা শেম–শাবা লোয়রে মখাতানা ফোংদোকখি।